**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 25-06-2025)**

অকাশবানি ইম্ফালগী

অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ

(তাং ২৫-০৬-২০২৫, য়ুমশকৈশা)

--সিগনেচর ট্যুন--

**---অকাশবানি ইম্ফাল আর.কে.গোরানিনা পাউ পাজরি---**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) সেক্যুরিতি ফোর্সনা নোংমৈ লল্লোনবনি হায়বা মীওই মরি অমদি তোঙান তোঙানবা লালহৌলুপশিংগী মীওই ৫ ফারে, খুৎশু খুৎলায় কয়াসু ফাগৎলে।

২) রাজ্য অসিদা হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা নোং লেপ্তুনা চুবদগী তুরেলশিংগী ইমায় ৱাংখৎলক্লি।

অমসুং

৩) সংহাই কো-ওপরেসন ওর্গনাইজেসনগী ঙাকশেল মন্ত্রিশিংগী মীফম ঙসিদগী চাইনাদা হৌরগনি।

**------**

পুলিস (এল)ঃ সেক্যুরিতি ফোর্সনা নোংমৈ লল্লোনবনি হায়বা মীওই মরি অমদি মীয়ামদগী নম হাদুনা শেল খায়বদা চেন্নবনি হায়বা তোঙান তোঙানবা লালহৌলুপশিংগী মীওই ৫ ফারে।

পুলিসকী পাউনা হায়- তোঙান তোঙানবা রাজ্যশিংদা নোংমৈ লল্লোনবনি হায়বা গেং খুৎপু অমগী মীওই মরি ঙরাং ইম্ফাল এরিয়াদগী ফাগৎখি। মখোয়দগী মেগজিন য়াওবা নাইন এম.এম পিষ্টোল অহুম, মেগজিন অনি য়াওবা গ্লোগ নাইন্তিন নোংমৈ অমা, সভেন পোইন্ট সিক্স ফাইভ এম.এমগী জে.দি

তোরস পিষ্টোল অমা, এম-ত্বেন্তি ফালকোন পিষ্টোল অমা, পোইন্ট থ্রি-টু এম.এমগী কেলটেক পিষ্টোল অমা, রেরেত্তা পিষ্টোল অমা, পোইন্ট থ্রি টুগী গ্লোগ পিষ্টোল অমা ফাগৎখি।

অমরোমদা, মণিপুর পুলিসনা য়ু.এন.এল.এফ পাম্বৈগী মীওই অহুম ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী বাবুপারা এরিয়াদগী ঙরাং ফারে। মীওইশিং অসি ঠিকাগী থবক পীননবা সরকারগী কর্ম্মচারিশিংদা কিহনবা অমদি নম হাদুনা শেল খায়বদা চেন্নবা মীওইশিংনি হায়রি। মখোয়দগী মেগজিন অনি য়াওবা নাইন এম.এম পিষ্টোল অনি, নাইন এম.এমগী কাপ্পা য়ারিবা মরু ৮, পোইন্ট থ্রি টুগী পিষ্টোল অমা, মোবাইল ফোন অমদি শেল খরা য়াওনা ফারে।

য়ু.এন.এল.এফ (নিংঙোল মচা)গী কাদরনি হায়বা মীওই অমসু ঙরাং থৌবাল জিলাগী হয়েন লৌবুক ময়াই লৈকাইদগী ফাখি। মীওই অনি থৌবাল জিলাগী তোঙান তোঙানবা সরকারগী ওফিসশিং, দুকানশিং অমসুং লনাই মীওইশিংদগী নমদুনা শেল খায়বদা চেন্নবনি হায়রি।

মণিপুর পুলিসনা প্রিপাক (প্রো)গী মীওই অমা শিংজমৈ পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা লিৱা লম্বী অহোংশাংবম লৈকাইদগী ঙরাং ফারে। মঙোন্দগী মোবাইল ফোন অমদি আধার কার্দ অমা ফংলে।

পুলিসকী পাউনা মখা তানা হায়- গাড়ি হুরানবনি হায়বা মীওই অমসু ঙরাং থৌবাল জিলাগী লিলোং হঙ্গাম থাবীদগী ফারে। মীওই অসিদগী রেজিষ্ট্রেসন নম্বর য়াওদবা হোন্দা এক্তিভা অমা ফংলে। অমরোমদা, ত্রাফিক্কী নিয়ম থুগাইদুনা গাড়ি থৌরম্বা মীওই ৪৯ ফাগৎতুনা লুপা লিশিং ৯০ চলান ককহনখি।

চান্দেল (এল)ঃ চান্দেল দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা শিন্দুনা ড্রগ এৱারনেস প্রোগ্রাম অমা ঙরাং লিৱা চংনিং হাইস্কুলদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা চান্দেল পুলিস ষ্টেসনগী ও.সি. শঞ্জোয় চোংথামনা হায়- স্কুল লৈরিবা মফমগী অকোইবদা হিদাক মনাগী পোৎলমশিং য়াওনা ময়াই কাবা নিশাশিং ফংহল্লোইদবনি। ময়াই কাবা চীঞ্জাক মরু ফংনা মুখৎনবা হোৎনবদা মীপুম খুদিংমক্কী দাইত্বা লৈ হায়বা ৱাফম ফোংদোক্লদুনা পুলিস দিপার্টমেন্টনসু ড্রগ লান্না শিজিন্নবগী থবকশিং থিংনবা অকনবা থবক পায়খৎলি হায়খি।

এগ্রিকলচর (এল)ঃ  মণিপুর সরকারগী লৌউ শিংউনা শিন্দুনা শান্তি রক্সাগী ফিভমনা শোকহল্লবা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী লৌমীশিংদা চাথোক হেন্না পুথোকপা ঙম্বা ফৌদি অমদি মরু মরাংশিং য়াওনা যুরিয়া হার ঙসি জিলা অসিগী শওম্বুং লাইরেম্বী কম্যুনিতি হোলদা য়েন্থোক্কনি। থৌরম অদু লৌউ শিংউ বিভাগনা তোঙান তোঙানবা লৌমী লুপশিংগা খুৎশমদুনা পাঙথোক্কদবনি।

ডে (এল)ঃ  এম.বি. কলা সঙ্গিৎ সঙ্গম বিদ্যালায়া ৱাবগাই লিংখৎখিবগী ১৬ শুবা ফাউন্দেসন ডেগী থৌরম ঙরাং ককচিং জিলাগী ৱাবগাই য়াংবী কম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

ৱাটর (এল)ঃ  রাজ্য অসিদা হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা নোং লেপ্তুনা চুবদগী তুরেলশিংগী ইমায় ৱাংখৎলক্লে। মনিপুর তুরেলগী ইমায় ৱাংখৎলকপদগী ইথাই বরাজকী গেট মঙামক খরা খরা হাংদোক্লে। ইম্ফাল বরাজগী গেট মরিসু হাংলে। থৌবাল বরাজগী গেট নম্বর থ্রিসু হাংলে হায়রি।

ৱাটর রিছোর্সেস বিভাগনা ঙরাং থোকখিবা ফ্লড রিপোর্টকী মতুংইন্না মীনুংথোংদা ওনবদা ইম্ফাল তুরেলগী ইমায় অসি খুদোংথিনিংঙাইগী মথক্তা চেল্লে হায়রি । নম্বুল তুরেলসু থোং নম্বোবী অমসুং নম্বোল থোংদা ওনবদা খুদোংথিনিংঙাই থাক্কী মথক্তা চেল্লে, অদুবু লিলোং থোংদা ওনবদদি ৱার্নিং লেবেলগী মখাদা চেল্লি। ইরিলবুং থোংদা ওনবদা ইরিল তুরেলগী ফিভমসু খুদোংথিনিঙাই ওইদ্রি। থৌবাল অমসুং মণিপুর তুরেল ৱার্নিং লেবেলগী মখাদা লৈরি।

নোংঃ  মেট দিপার্টমেন্টনা হায়রি- মনিপুর য়াওনা অৱাং নোংপোক্কী রাজ্য অমসুং লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লাক্লিবা নুমিৎ খরনি অসিদা অকনবা নোং চুরবা য়াই। লাক্লিবা পুং ৩৬ অসিদা ন্যু দিল্লিদা কুমগী নোং য়ৌরক্লগনি।

পঞ্জাব, হরিয়ানা অমসুং রাজস্থানদসু লাক্লিবা নুমিৎ নিনি অসিদা নোং চুরবা য়াই।

সংহাইঃ চাইনাদা ঙসিদগী হৌগদৌরিবা সংহাই কো-ওপরেসন ওর্গনাইজেসন (এস.সি.ও) গী ঙাকশেল মন্ত্রিশিংগী মীফমদা ঙাকশেল মন্ত্রি-রাজনাথ সিংহনা লুচিংবা অৱাংবা থাক্কী মীহুৎ কাংবু অমনা শরুক য়াগনি।

নুমিৎ নিনিগী মীফম অসিদা সি.সি.ওশিংগী ঙাকশেল মন্ত্রিশিংনা লমদম লমদম অমসুং মালেমগী সেক্যুরিতিগী মতাং, টেরোরিজম অমসুং ঙাকশেলগী লমদা তেংবাং পীননবা খন্নগনি। মীফম অসিদা শ্রী রাজনাথনা ভারতনা মালেম অসিদা শান্তি অমসুং তংদু লৈতাবা লৈহন্দুনা টেরোরিজম লৈতবা মালেম অমা ওইহনবদা শরুক য়ামীন্ননবা ৱাফমশিং ফোংদোক্লবা য়াই। খোঙচৎ অসিগা মরী লৈননা ঙাকশেল মন্ত্রিনা চাইনা অমসুং রাসিয়া য়াওনা তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংগা ভারতকা মরী হেন্না চেৎশিলহন্নবা ৱাফম কয়াসু খন্নরবা য়াই।

সাহ ঃগৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা হায়রি- ইং ১৯৭৫ দা মতমদুগী কংগ্রেস সরকারনা ইম্মরজেন্সি থমখিবা অদু লৈবাক অসি ঙাক শেন্ননবা নত্তে, মতমদুগী প্রধান মন্ত্রি ইন্দিরা গান্ধি কন্ননবনি।

নিউ দিল্লিদা ঙরাং পাঙথোকপা থৌরম অমদা ৱা ঙাংবদা শ্রী সাহনা হায়- লৈবাক অসিদা গনতন্ত্র কন্ননবা হোৎনবদা মীওই লাখ কয়ানা কৎথোক্তুনা থবক তৌখি। নীংতমা হিংবা পান্বা লৈবাক অসিগী মীওই কয়া জেলদা থমখি। মসিগী মতাংদা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ইবা লাইরিক অমা ঙসি ফোংগনি । লাইরিক অসি ইম্মরজেন্সিগী মতম অমদি মসিগী মতুংদা লৈবাক অসিদা ওইরক্লিবা ফিভম অমসুং মীয়ামা থেংনখিবা কয়া অদুদা য়ুম্ফম ওইবনি।

সিজফয়ারঃ ইরান অমসুং ইজরেলনা সিজ ফয়ার লাউথোকখিবা অসিবু ভারতনা তরামা ওক্লি। থৌরাং অসি পায়খৎলকবা মরুওইবা থৌদাং লৌখিবা আমেরিকা অমসুং কতরবুসু ভারতনা থাগৎলি।

মপান থৌরম মন্ত্রালয়না হায়- ভারতনা লৈবাক অনি অসিদা শান্তি অমসুং তংদু লৈতাবা থমবা থৌরাংশিংদা শরুক য়ানবগীদমক মতম পুন্বদা শেম শাদুনা লৈ। ভারতনা চাউখৎপা অমসুং নুংঙাই য়াইফবা মালেমগী অমগীদমক মতম চুপ্পদা লেপ্তুনা লৈ।

---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনদা ইম্ফাল, নম্বুল ৱার্নিং লেবেলগী মথক্তা চেল্লি। মণিপুর য়াওনা অৱাং নোংপোক লমদমদা নোং চুখিদৌরি হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

পোকফমদা- মে থাদা থোকখিবা ঈশিং ঈচাউগী এসেসমেন্ট তৌবা লোইখ্রে, লুপা কোতি ৫ মখায়রোমগী উহৈ ৱাহৈ-মনা মশিং মাংহনখ্রে হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন পীদুনা ফোংলি।

মীওই ১২ নৌনা পোজিতিভ ওইরে, গভর্নমেন্ট দান্স কলেজদা কোভিদ টেষ্ট তৌরগনি হায়বা পাউ অমসু পাউচে অসিদা অনিসুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

হুইয়েন লানপাউদা- হোম মিনিষ্ট্রিনা মীতৈগী সি.এস.ওশিংগা জ্ন ২৭ তা মীফম পাঙথোকবা খঙহল্লক্লে, অমুকোগী ওইনদি শরুক য়ারুগদ্রা য়ারোইদ্রা খঙদ্রি হায়বা পাউ অমা অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

নহারোলগী থৌদাংদা- ইজরেল অমদি ইরানগী মরক্তা সিজ ফয়ার চৎনরে হায়না দোনাল্ড ত্রম্পনা লাউথোকখিবগা ইজরেলনা ইরানদা এয়ার ষ্ট্রাইক চখ্খ্রে হায়বা পাউ অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসনদা- এস.টি লিষ্টতগী এনি কুকি ত্রাইব লৌথোকবা ৱাফম মার-জো বোদিশিংনা শৌগৎখ্রে হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি।

সনালৈবাক্তা- হোম মিনিষ্টর অমিত সাহগী ৱাফম থৌদাং লৈতবা মীনা ঙাংবা ৱানি- লোকেশ্বর, বি.জে.পি লৈঙাক্কী মীহুৎশিং কৌদুনা ৱারোইশিন

পুরকবা পোরম য়াৎপীয়ু হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি।

পিপলস ক্রোনিলকদা- য়ু.এসনা থোকখিবা ত্রাভেল এদভাইজরি মরম চাদে হায়না নোর্থ ইষ্ট গ্রুপশিংনা ফোংদোকখিবা ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌরি।

গানফিউ মেলদা- মাকোইদগী লোংচাই তাবা লম্বী লেন্দ স্লাইদ থোকপগী চৎথোক চৎশিন য়াদ্রে হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

তমেংলোং টাইমসতা বোসেমনা লৌবা ক্লাস টেনগী কম্পার্টমেন্টেল পরিক্ষা থা অসিগী ৩০ দগী হৌরগনি হায়বা পাউনা অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

------